ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯳꯰, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯰꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জন্যুৱারী ৩০, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩০২শুবা মশীং

# ইরোল ইয়েক

## চাউখৎহনসিদি হায়, চাউখৎহন্নবা পুম্নমক্না থৌদাং লৌবদি উদে

লৈবাক অমদা লৈবা লমদম অদুগী মীয়াম্না মখোয় মখোয়গী মমারোল চাওখৎহন্নবা হোৎনৈ। কোরিয়া, চাইনা, পাকিস্থান, বাংলাদেশ, যু এস এ, রসিয়া, ফ্রান্স, জর্ম্মনিনচিংবা লৈবাকশিংনা মখোয় মখোয়গী মরোল কৈদৌঙৈদসু হন্দোকপা তৌদে। রসিয়া নৎত্রগা চাইনাগুম্বা লৈবাক্কী লুচিংবশিংদি অতোপ্পা লৈবাকশিংদা চৎপদা মখোয়গী মরোলনা ৱা ঙাওই অদুগা লুচিংবশিং অদুনা ঙাঙলিবা লোন অদু অতোপ্পা লৈবাক্কী লুচিংবা অদুনা খঙবা লোনদা ইন্টরপ্রিটর অমনা হন্দোক্লগা তাহল্লি। ইন্দিয়াদসু অদুমঙায়, ৱেষ্ট বেঙ্গল, তামিল নাদু, কেরলা, বিহার, যু পি, গুজরাট, ওরিষানচিংবা ষ্টেট খূদিংমক্তা মখোয় মখোয়গী ষ্টেটকী ওইবা লোন অদু চাওখৎহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনৈ। গাড়ীগী নম্বর থাবা ফাওবা মখোয় মখোয়গী ময়েকনা থাই। য়ুনিয়ন পব্লিক সার্ভিস কমিসননা লৌবা সিভিল সার্ভিসকী এগজামদফাওবা মখোয় মখোয়গী লোন অমসুং ময়েকনা পরিক্ষা থাবা য়াহল্লি। ফল্লাংদা নৎত্রগা পব্লিক প্লেসতা এদভর্টিজমেন্ট তৌবগী ৱারোলশিং ইবদা মখোয় মখোয়গী লোন অমদি ময়েক শীজিন্নৈ। টেলিভিজন চেন্নেলশিং ফাওবা মখোয়গী ওইবা লোনগী তোঙানবা চেন্নেলশিং হাংদোকই। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীয়াম্না মখোয় মখোয়গী লোন অমদি ময়েক চাওখৎননবা হোৎনরিবা অমসুং থাংজিল্লিবা খোঙথাং অসি য়েংলুরগদি ইন্দিয়াগী ষ্টেট পুম্নমক্কী মনুংদা মণিপুরনা মশাগী লোন অমসুং ময়েক থৌশাদে হায়না লৌবদা লাল্লোই খল্লি। মণিপুরদদি মীয়ামসু, লৈঙাকসু মীতৈ ময়েকপু নুংশিবগী চাং অসি ইৱাৎ ৱাৎপগুম্না তৌই। ইংলিশ ঙাঙবা হৈরবদি লাইরিক হৈরবা মীওই অমদৌনা লৌনৈ। মসিদি মমা লৈবাক নুংশিবগী খূদম নত্তে।

চহী লিশিং ২ হেনবগী পুৱারী লৈজরিবা মণিপুরগী লোন ময়েক লৈজৈ হায়বসি কনামত্তনা য়েৎননিংঙাই লৈত্রবনি। অদুবু পুৱারীগী তাঙ্কক অমদা খুৱৌ থাংবা থোকখিবদগী য়েলহৌমীশিংগী ময়েক মাঙখিবা ফীভম অমদা লৈহনখ্রগা মীতোপশিংগী ময়েক শীজিন্নদুনা লৈরকখি। অদুবু ইরোল ইয়েকপু নুংশিজবা ইরৈচা কয়ানা মাঙখিবগা পান্থক ওইরবা ময়েক্কী খোঙ্গুল লীদুনা, খোঙজং কয়া হনবা লৈতনা চঙশিল্লকপদগী মীতৈ ময়েক অমুক হন্না শাফোঙলকখি। হৌজিক্তি মীতৈ ময়েক অসি এম এগী থাক ফাওবদা মহৈ তম্বা হৌরে। ময়েকপু চাউখৎহন্নবা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা লৈঙাক্ল া লেংগ্বেজ দিরেক্টোরেট হাংদোকখ্রে। ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসন্নসু লৈবাক অসিদা লৈরিব তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা মখোয় মখোয়গী লোন, ময়েকপু চাউখৎহন্নবা হোৎনবগী রাইট অদু পীরি। মীতৈ ময়েক অসি ঙসিদি মশা-মরেং ফন্দোরক্লে, মশেক-মঙাল ফুদোরক্লে। অদুম্মকপু মপাল নাইদ্রবা ষ্টেট অসিগী লন ওইরিবা লাইরিকশিং বেঙ্গোলি ময়েক্তগী মীতৈ ময়েক্তা হন্দোক্লবা নীংথিনা হোৎনবগী মমিদি তাদে। গ্রেজ্যুএটকী থাক্তা মহৈ তল্লিবা মহৈরোয়শিংনসু মীতৈ ময়েক্কী লাইরিক অনম্বা নীংথিনা ফংদ্রি। ময়েক্কীদমক থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাংশিং অসি ঐখোয় পুম্বনা পেন্থোক্তুনা লৈগুমসি। মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোল অপূনবা লূপ (মীলাল)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম্নসু মীতৈলোনদা ফোঙবা পাউচেশিং কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী ৫দগীদি মীতৈ ময়েক্তা ফোঙনবা লেপ্লখ্রে। লমদমসিদা লৈরিবা মীয়াম্না মীতৈ ময়েকপু চাউখৎহনসিদি অদুম্মক হায়, চাউখৎহন্নবা পুম্নমক্না থৌদাং লৌবদি উদে। ময়েককী মপুং ওইবা শক্তম অমা নোংদোন অতিয়াদা থোকপা থৱানমিচাক্কুম পুল্লং লংহন্নবা অৱাৎপশিং মেনশিন্নবগী লীক্লম শেম্মিন্নসি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীওই অমা ওইনা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইজদে

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

ৱাহৈগী ৱাহন্থোক খঙদবা মীনা মীয়াম তিনবা মফমদা চাকনি-ফিনিবা ঙাক্তা ঙাইরে হায়না পংঙাঙ ঙাঙবসি মশানা মশাবু মতিক চাদবনি হায়না ফোঙদোকচবনি। হৌখিবা কুমজা ২০২০গী দিসেম্বর ২১দা খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা য়ূম্নাম খুনৌগী পব্লিক মীটিংদা চাকনি ফিনিবা ঙাক্তা ঙাইরে অমসুং অকি অখংগা লোয়ননা হিংবা পুন্সি মরেল অমদা থন্বীরল্লে হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অমসুং ৱাইতোনগী মীওই অমা ওইনা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইজদে। এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীহুৎ ওইরিবনা এ সী অসিগীদমক হোৎনদুনা লাকপনা ঙসিদি এ সী অসি অতৈ এ সীগা চাংদম্নবদা ইকায়নীংঙাই ওইদ্রে।

*অদোমগী - এম বাবু মৈতৈ, ৱাইতোন মমাঙ লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০

১) মণিপুরী সাহিত্যদা ইহান হান্না এসে (রচনা) ইদুনা পুথোকখিবা অইবদু কনানো অমসুং লাইরিক্তুগী মমিং করিনো?

২) মণিপুরগী অহানবা এফ এ (কোন্না আই এ হায়না খঙনখিবা) পাস তৌখিবসি করম্বা চহীদনো?

৩) অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুংদা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক্তু করিনো, কনানা হন্দোকপনো অমসুং করম্বা চহীদা ফোঙখিবগে?

৪) ‘‘শজিবুগী চীংথ্রাউ মপাল’ হায়বা লাইরিকসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবদু কনানো?

৫) ‘‘হিজন হিরাউ’’ হায়বা অরিবা শৈরেংদা মথং নুমিত্তা য়ানগদৌরবা, তলা উরাই থাদুনা থল্লম্মবা পামেল তল্লা চাউথোইববু মথং নুমিত্তগী কায়নরগনি, কনবা ঙম্মরোইদো হায়না কপখিবা মমা অদু কনানো (করিনো)?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মহীরেলগী ৱা খরা

## ৱাইরু-ৱাইরুবদা



য়ুসি থিংবা য়াবা মওংদা থিংনখ্রে। খোঙদা, খূকউদা অশোক অপন কয়া য়াওনখ্রে, য়ু থিংনবা লাক্লবদা। য়ুবু করবার তৌজবা, য়ুবু চিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নরুবা কয়াগী খূকউ অমদি ফৈগন, খূবোম কয়া অৱাবা নংনখ্রে। মী কয়া মরূ কোক্তুনা য়ু লিক্লি মঙক্তা য়াল্লগা লম্বীদা চৎহন্দুনা খোঙ্গৈইনবা কয়া উখ্রে, তানখ্রে। অদুবু মতিক ময়াই লৈরবা য়ু হায়বা পোৎশক অসি ঙসি ফাওবা খোয়দৌৱা শান্নদুনা হিংদুনা লাক্লি। ঙসি ফাওবা য়ুনা মপান ফনা হিংলি। হায়রুদুনা কান্নবা ৱা নৎতে। খুঙ্গং অমদি অরাপ্পা মফমদি লায়রদনা ইম্ফাল মনুং অসিদা য়ু য়োনফম কয়াম ইফোং ফোংনা লৈরিবগে হায়বসি হায়দনা অদুম কান্নদ্রবা ৱানি। ইম্ফাল মনুংগী এলাকা অসিদা য়ু য়োনফম মফম কয়ামুক লৈবগে হায়বসি থক্তবা মীনা ফাওবা লোইনা অদুম খঙলবা ৱানি।

মীওইবনা পাম্না শীজিন্নরিবা পোৎ- থক্লুপোৎ ময়ামসিগী মনুংদা খ্বাইদগী থৱায় তানবদা মকোক ওইরবা মহীরেলনি। লমদম অসিদসু নুপীনফাওবা য়ু অসি থক্কৎনরক্তনা ফানবা, পুন্নবা লৈবাক ঈৱাং ওইবা য়াওনখ্রে। পাউচেদা য়াওনবদা পাজখ্রে। চুম্নতা থকপগী মথক্তা য়োনবগী ফাবদসু নুপী কয়া য়াওরক্লে। শুংবসু নুপীনা শুংবা ফোটোদা উনরে। পাম্নরিবা মহীরেল অসিবু য়ু হায়না খঙনবগী মথক্তা হীদাক হায়নসু খঙনরি। হীদাক হায়রবদি য়াম্না ফবা থাক অমা য়ৌনা শকখঙনরবগী ৱাফমনি। য়ু ঙাওরগা হায়নদ্রে হীদাক ঙাওরগা হায়নরিবনি। মতম অমদা অহল-লমনশিংনা কালৈ হায়দুনা হায়নরম্মী। য়ু অসি কালৈ হায়বদি হীদাক শেম্বদা শীজিন্নবগী মওং ওইনা উহৌই। ফদ ফরমদৌবা মাল্লি।

লৈবাক্কী ফম চাউনা পায়রিবা মীদগীনা ইচম চম্বা লৌমী অমা ফাওবা য়ু থক্লরিবনি। য়ু হায়রগা অশম্বীদা য়ুঙাং অমদি য়ুঙৌ অসিনি। ঐখোয়না খঙনজরিবা অসি। শেল পায়বনা য়ুঙাংনি। শেল পায়দবনা মীনা য়ুঙাং থকপা ঙম্বা নত্তে। য়ুঙৌ অসিসু শেল পায়দবা মী খক্তনা থকপা নত্তে। অদুবু হায়রিবা মখল অনীমক অসি অথিংবা খরগী মখাদা মরাং কায়না ফংনৈ। অথিংবা হায়বসি মরাং কায়না ফংবা ওইনা লৌনরবনি। কদাইদা মসি করম্না থিংলিবনো হায়বফাওবা হেক চম্নরকপা য়াওই। শুংবা য়াই থকপা থিংই।

শক্তিমান নৎত্রগা হল্ক নৎত্রগা কিং-কোংগুম্বগী মতিক ময়াই শক্তি পূম্বা চেলহনবা মী অমনা মসি তশেংনা থিংগে হায়না থিংলবদি নোংমদা মানা ফাগৎলক্কদবা য়ু অসি কাংজৈবুংদা পৈফম লৈরোই। চেঙ তাঙলিবগসি য়ু শুংদোক্তুনা থক্তোকখিবদগী ওইবা ফাওবা য়াই। তাইবঙ মীনা থক্কদবা য়ুনি। থক্লরি।

হংজনীংবা ৱাহং! য়ু অসি থক্লগা ঙাওরগা কার, ত্রক ফৈরেং তুরেং থৌরিবা ময়াম অসি থোক্তনবা য়ুগী মতিক ময়াই অসিদা গাড়ী থৌবদা জ্ঞান তানা থৌনীংহন্নবা শক্তি অমা হাপ্পবা ফুদ সাইন্টিষ্টশিংনা করি করি হোৎনবা য়াবগে? করম্বা রিসার্ছ তৌবা য়াবগে? য়ু অসিনা ইমুং-মনুংগী নুপী অঙাং ফূরিবা, হাৎলিবা, হিংচা য়াইতম্বা ৱাখল চেন্দুনা মী খৎননীংলিবা, হাৎন-শুনহন্নীংলিবা অসি কোক্লবা য়ুদা করি অহেনবা অনৌবা মচল অমা হাপ্পা য়াবগে হায়বসি নৈননীংঙাই ওইদ্রিবরা?

অনীশুবা ৱাহং, য়ু অসি থক্লগা হকচাংদা লিভরদা শোক্তুনা লিভর সিরোসিস নাদুনা শিনহল্লিবা অসি থোক্তনবা করি মচল হাপ্পা য়াবগে অসি নৈননীংঙাই ওইদ্রিবরা? নৎত্রগা য়ুদগী করি মচল লৌথোক্লগা হকচাং অসি শোক্লোইদগে হায়বদু নৌহৌননা নৈনবীবা য়ারোইদবা লৈবরা?

অহুমশুবা ৱাহং, য়ু অসিদা করি অফবা মচল ভীটামিন, মিনরেল, প্রোটিন ময়াম হাপচিন্দুনা খ্বাই খিবিক্লা থক্লরিবা ময়াম অসিদগী ইফ ফবা য়াইফথোইবা হীদাক ওইহন্দুনা অফবা মহীরেল অমা ওইবা য়াহনগদগে হায়বদু চিঞ্জাক কাঙলোন শুরোইশিংনা নৈনবা হায়বদু মপুনা থাবা মতম য়ৌদ্রিবরা?

অমরোমদা, য়ু অসিসু থিংগেনা থিংলবদি ফনয়াম্নদি হন্থহনবা য়াবনি। অদুবু য়ু থিংলিবা মীপূম খুদিংমক্না য়ু অসি মী পোৎলোইবা, চাক্কৌবা অমদি অঙাং চাউম্বনচিংবদদি কোমথোকপগী মতৌ অমসু লৈনরি। মসিমতংসু হাইফেৎ য়েংশিনহঞ্জনীংই। হায়ফম খঙদে। ●

# মীখলগী শেম শারক্লিবশিং উনরকপা

## নবকুমার ওইনা

লৈঙাকলোনগী ৱাখল্লোন চুমদবদুনা লৈঙাকপা হৈতবদগী লৈবাক অমা ওইরম্বদগী টেরিটোরিগী থাক্তা হন্থরকখিবনি। হৌজিক ফাওবা অচুম্বা লম্বী অমদা চৎলে হায়বা ঙম্নদ্রি। মহৈ-মহৈ মতোমতগী ৱাখল্লোন্দা ঙাওনরি, লৈবাক্কীনি হায়বা ঙাঙথোক্লুরল্লিবা লোন ফাওবা চুমদ্রি হায়নরক্লি। লো অমনা লৈবাক ঙাক্লুরিবনি হায়গনি, লো হায়বদুদি ৱায় চাইরে, কেসকী কেস ঙাক্তা, লোইশিনববু ঙমদ্রে। লো হায়বদু লৈরি হায়বা য়ারক্তুব্বদা লৈবাক অমা লৈরি হায়বদি কদায়দগী য়ারদগে। লমলক্কী শা-ঙা, উচেক-ৱায়াগুম্না নেচরেল লো অমদা হিংলিবা হায়বদুনি।

নেসনল ভোটরস দে হায়রক্লিবসি অফবা ৱাপু নত্তে। হৈত-হৈতনা দেমোক্রেসি হায়রগা লৈবাক পংশেমদা শেমজিনখ্রে হায়বনি। থৌদাং খঙদনা, করিনোসু তাক্তনা ভোট পংলেপ্তা লেপ্পবা, পংথাদা থাদনরগা থোঞ্জিনবা মমিং অমদা হেক্তা দেমোক্রেসিনি হায়জিনবা মাল্লক্লিবনি। লৈবাক অসিগী করম্বা লমদমদা ইলেক্সন পাঙথোকপগী ফজবা শক্তম অমা উবা ফংনরবগে? ইশামক্না থেংনরকপদা খুন মঙাগী মী মঙানা হঞ্জিন-হঞ্জিন থাদরম্বা, বুক অমা অমুক্তদা থাদরম্বা উখ্রে। ছাটিন অথুপ্পীগুম ফৎ খন্দোক্লগা নুংশা ঙাক্লবগুম লৈবাক ঙাক্লখ্রবনি। অদুম য়ানখ্রবনি। হৌজিক্লা লোনি হায়বগী মমিং ফাওবা লানবগী কেস তৌনরক্লিবনি। পূন্না য়েংবদা ইলেক্সন পাঙথোকপা হৈত্রি, ভোট পীবা হৈত্রি হায়বনি। কম্বল, ব্লাংকেট, ঙৌবোং ময়াম য়েনবা উখৎলক্লিবসি হৈত্রিবদুগী খুদমনি, ফজবগুম লৌনরক্লি। মোইথেম তৌববু কেম্প্যেন তৌবনি খন্নরক্লি। কেম্প্যেন লাকপদা চেম্পেন থকমিন্নরগা য়ানখিবা হায়বদুনি। লৈবাক্কী ফনবা খন্নখিবা নত্তে, শোয়বা য়াদেকো হায়বগী ৱাশক ফাওবা শক্লরিবনি। মদুদবু ভোট পীরবদি করম্বা মতমদা মালেমসিদা ভোট তৌরগা ইলেক্সন পাঙথোকই হায়গদৌরিবনো? মানবসু ঙমদ্রিবসিদা অচুম্বনি খন্নরিবনি। চে মচেৎ অমা উপু অমদা থাদরগা ভোট থাদনরবনি হেক্তা হায়বা য়ারদরা? জগোয় য়েংবগুম্না হঞ্জিন হঞ্জিন য়েংলগা অহোংবা করিসু পুরকপা ঙমদ্রি। থোইনদুম ভোটকী ঈৱাংদা নুপী অঙাং হুপ্পা ঈৱাং লাংনরি, লাই লাৎপগী মওংদা চেঙ, কোবী-হঙ্গাম, হৈ-রা অথেনপোৎ কানবা উনরিবনি। মসিবু ভোটকা কদায়দা মরী লৈনরিবনো, মালেমগী মফম কদায়দা তৌবা উখ্রবগে? ফিরাল য়ুংবদা মাইবা-মাইবী য়াওনরি, উরেপ তম্বদা য়ুবী থুগায়নরিবসি লাই লাৎপা নত্তে হায়গদৌরিব্রা? দেমোক্রেসিগা লাইগা শম্নখৎলক্লি। ভোট কাবা য়ানবা মীয়ামসি হিপনোটাইজ তৌবা য়ানবা পৈশা নমদুনা পীবা য়ানবা, নমদুনা পোৎ পীশিল্লগা মোরেল করপসন তৌশিনবনি। চন্দোন-থিনবী ময়াম মাংদা ফল্লগা মীটিং তাগনি, ভোটনা মরী-মতা, শেল থংবা, শেল য়াম্না পীবদা, থবক হাপ্পীবদা পীগদৌবনি হায়না ৱারেপ লৌনখিনি। ইশাগী কান্নবগী ৱা ঙাক্তা ঙাঙনগনি, লৈবাক্কী য়াওরোই। লৈবাক হায়রগা করম্বা লৈবাক্কীনো হায়বসু খঙনরোই। লৈবাক্কী শেল কায়থোক্লগা শাগৎলিবা ময়ামসি মীদুনা শারিবগুম ঙাঙনরি, থবক হৈবা, থবক ঙম্বা শানরি, ভোট পীবা য়াবা মী ওইনা লৌনরি। শেন্দোং চাদ্রবদি কদায়দগী শেল অমুক য়েল্লক্কদৌরি হায়নরিবনি। মীয়াম্বু অপঙবা শীরগা ভোট কাবা য়াবা লমদম ওইরি হায়বনি। চাক থোংবীদুনা ইমুংদু শুপ্পায় পায়শিনবা য়ানব্রা? চাথোক্লগা হাওই হায়না থাগৎশিন্নবসু, কেন্দিদেট অনীমক্তগী শেল লৌই হায়বসু লৈরি। মঙতাক অমদা মানা কাগনি হায়না শন্দোক্লগা ভোট খোম্বসু লৈ। লৈবাক্কী খনবা হায়ববু করিনো, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ্পা কাবসু য়াওরি, কাগদৌবদা পীবা হায়বসু য়াওনরি। কয়াদা তোল্লবা ৱাখলনো, ইশাগী কান্নবা ফংগদৌবদা ভোট পীবা চৎনরিবসিবো। মদুমক্না লৈবাক অমগী লৈঙাক শেম্বদা ইশা য়াওরি হায়বা য়ারগদ্রা? লমদমসিদা ভোট পীবা হৈরবা মীওই অমত্তা লৈতে, নোটাদা লৈবসু ভোট পীবা হৈত্রিবগী ওইগনি। মী অফবা হায়রগা শেল পায়বা পুথোকপদি লৈবাক শেম্বগী ৱা নত্তে, পার্টি শেম্বগী ৱাতনি। পৱার মুন্নবা ময়াম্না লৈবাক শেমগনি হায়বদি লৈতে, লম্বী শেম্বগী থিকা মুন্নবগী ৱাতনি। মীংচৎ মুন্নরগা, লৈবাক মীয়ামসি লল্লোনবনি।

ৱান নেসন হায়বসি দিক্টেটরগী ৱানি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস হায়বসি ফজবা মিংথোন অমনি। পুল্লবদি ঐগী ৱা চৎলদৌবনি, ঐগী লাইনীং চৎলদৌবনি হায়রবদি ৱান নেসন হায়বা লাল্লি হায়গনি। ৱান নেসন্দা ভোট কারবদি ফুরুপ য়োনবা, নাৎ য়োনবা, মরমদম য়োনবা ঙম্বা তাগদৌরিবনি। মীয়ামদনা কাঙলূপ খায়দে হায়না উৎ চাইগনি। কাঙলূপ খায়দবা হায়বদুনি, কাঙলূপ মচা-মচা মুথৎকদৌরিবসি। অচৌবা লাল্লোং অমনি, অরোনবা লাল্লোংনি, ফোংনা তৌবনি। খঙলকপগা ঈ তানরক্কদৌরিবনি, পঙলগনা মুৎচখ্রগনি।

পব্লিক্কী লম্বীদা মরন্নাই মী অমনা শেম্বা য়াব্রা? ভোট লেপকদৌবা মীনদি য়াদে, এন জি ও ওইরবসু পার্মিসন লৌগদৌবনি, লোনি। কোয়লা থাবদা কায়বসিদি লোনা য়াব্রা, থোং শাবা লোইদনা তেকপসিদি লোনা য়াব্রা? য়াদ্রিবসি লোদু নত্তে, মীশিংদুনি। শেল য়েল্লি হায়বসিসু লোনা য়াদে হায়রিবনি, য়েল্লিবনি, লোনা য়াদবা লৈঙাক শেম্বদু মীয়াম্না য়ারিবনি। মীয়ামসিদা মীনমলিবনি, খঙজদ্রগা মীয়ামসি ঙা-মহাগুম্না পাক্লম চাখিবা হায়বদুনি। পেন্সন ফংবদা হরাওনরিবনি, তৌফম থোকপগী তৌরকপনি খনবা ঙম্নদ্রিবনি। অসুক পংবা মীয়ামসিনা অসুক পংবা মীদা ভোট পীরগদি কদায়দগী অফবা লৈঙাক হায়বা অমা লাক্লদগে। ফনদুম ফজরিবা ফিল্ম অমগুম্বনি। করিগীদমক ভিদিও কাপ্পরিবনো খঙলকপদদি য়েংলিবশিংগী মরৈবাক হায়বদুদি লৈরল্লরোই। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ পুল্লৈ

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা পাম্বীশিংগী মনুংদা পুল্লৈ হায়রিবা পাম্বী অসি থোইদোক্না মরু ওইবা অমনি। মোইরাংগী খম্বা-থোইবীগী পুৱারীদা খম্বগী মচেম খম্নুনা লোক্তাক পাৎতা কুমদুনা য়েলাং-কেঙোই অমদি লোক্লৈ-পুল্লৈ হেকপগী ৱাফম ময়েক শেংনা পল্লি। পুল্লৈ পাম্বী অসি অসামীজদা তোরা, থায়দা থোট-মান-নোর-কালা, সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *এলপিনিয়া নাইগ্রা (Alpinia nigra (Gaertn.) BL Burtt)* নৎত্রগা *এলপিনিয়া এলুঘাস (Alpinia allughas (Retz) Rose)* নৎত্রগা *জিঞ্জিবর নাইগ্রম (Zingiber nigrum Gaertn.)* নৎত্রগা *হেরিটিয়র এলুঘাস (Heritier allughas Retz)* নৎত্রগা *লঙ্গুৱাস এলুঘাস (Languas allughas (Retz) Burkil)* হায়না কৌই অমসুং জিঞ্জিবরেসী (Zingiberaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি শীং (Ginger), য়াইঙং (Turmeric), ইলাইচি (Cardamom), ওকচাকখোম্বী (Spiral ginger) অসিনচিংবনি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না পুল্লৈ পাম্বী অসি খা নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা ইন্দিয়া, ভুটান, চাইনা, বাংলাদেশ, ম্যান্মার, শ্রী লঙ্কা অমসুং থাইলেন্দদগী হৌরকখিবনি অমসুং অদুমক মরাং কায়না হৌই। ইন্দিয়াগী মনুংদা পুল্লৈ পাম্বী অসি অৱাং নোংপোক্কী মফমশিং মরু ওইনা মণিপুর, অসাম, ত্রিপুরা অমসুং মিজোরামদা হৌই। মণিপুরগী মনুংদা পুল্লৈ পাম্বী অসি অয়াম্বা পাৎশিং মরু ওইনা লোক্তাক পাৎকী অকোয়বা অমসুং কৈবুল লমজাওদা অমদি ঈশিং চোৎ-চোৎ লাওবা মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। পাউদমশিংগী মতুংইন্না পুল্লৈ পাম্বী মরাং কায়না হৌবা চাইনাগী মফমশিং অদুদি য়ুনান অমদি হাইনান প্রোভিন্সনি।

পুল্লৈ পাম্বী অসি শীং অমদি লোকলৈ পাম্বীগুম্না লৈবাক মনুংদা রাইজোম হায়বদি মউ তাবা ফুট ১০ ফাওবা অথোৎপা পাম্বীনি। পাম্বী অসি পাৎথী-কোমথী, তুরেল অমসুং খোংগী মপান, লোকচপ অমসুং পাৎকী ফুমশিংদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা থেংনৈ। নুংশা মঙাল খরা ৱাৎনা ফংবা মফমশিংদদি পাম্বী অসি য়াম্না ৱাংনা হৌবা ঙম্মী। পুল্লৈ পাম্বীগী লৈ অসিদা সেপাল অমসুং পেটাল হায়না খঙনবা লৈনা ৩ মথংশিংনা পাল্লি। লৈশিং অদু ঙৌরুননা শংঙি নৎত্রগা চেক মচু চঙলপ তৌই।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না চাইনাদা হৌরিবা পুল্লৈ পাম্বীগী মউ অদুদা Astragalin অমসুং Kaempferol-3-O-glucuronide হায়রিবা Bioactive flavone glycoside 2 অসি য়াওই। পুল্লৈ পাম্বীগী মউদা মনম চেনবা ঙাংতক তৌবা থাউ অমা চাদা ০.৫গী চাংদা য়াওই অমসুং মদুদা য়াওবা মরু ওইবা মচল অনী অদুদি β-pinene অমসুং α - pinene অসিনি। হায়রিবা অসিগী মথক্তা য়াওবা অতোপ্পা মরু ওইবা কম্পাউন্দশিং অদুদি - Caryophyllene Oxide (চাদা ২৩), Geraniol (চাদা ১৯.৯), Eudesmool (চাদা ১৯.৪) অমসুং Citronellyl (চাদা ১৬.৫) অসিনচিংবনি। পুল্লৈ পাম্বীগী মনাদা য়াওবা থাও অদুদনা Camphor (চাদা ১৫.৩), Carotol (চাদা ৭.৩) অমসুং Camphene (চাদা ৭) অসিসু য়াওবগী পাউদম লৈ।

পুল্লৈ পাম্বী অসি য়াম্না লিরবা মতমদগী এসিয়াগী লমদমগী মীওইশিংনা মখল-মখা কয়ামরুমদা শীজিন্নদুনা লাক্লি। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি পুল্লৈ পাম্বীগী মউ অমসুং মখোক্কী অথোৎপা শরুকশিং অদু ইরোনবগী খ্বাইদগী হাউবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নৈ। করিগুম্বদসু পাম্বী অদুগী মউ অদু পানা শোইরগা কংহল্লগা ঙা অমসুং শা থোংবদা মনম নুংশিনবা অমদি মহাও হেনগৎহন্নবা থাক্তুনা শীজিন্নৈ। ত্রিপুরাগী ত্রাইবেলশিংনা পুল্লৈ পাম্বীগী মখোক অমসুং মউ অদু শা-ঙা থোংবদা য়াম্না পাম্না শীজিন্নৈ। থায়গী মীওইশিংনা পুল্লৈ পাম্বীগী মখোক অদুগী মপান থংবা মকুশিং অদু খোক্তোকখ্রগা মনুংদা লৈহৌরিবা অথোৎপা শরুক অদু মকক মকক কক্লগা য়াম্না হাউনা এঞ্জাং ওইনা চানবগী মথক্তা অতোপ্পা এঞ্জাং থোংবদসু মনম নুংশিনবা অমসুং মহাউ হেনগৎহন্নবা হাপ্নৈ। ময়ায় থংবা থাইলেন্দগী নোম্থাবুরি প্রোভিন্সতা লৈবা Amphae Pak Kret কী মীওইশিংনা য়াম্না পাম্না চানবা অমদি মমল তাঙবা থোট-মেন হায়না খঙনবা ঙাদগী শাবা কেক (Popularly called as Thai Fish Cake) অসি শাবদা পুল্লৈ পাম্বীগী মউ অসি য়াম্না মরু ওইবা মচল অমা ওইনা হাপ্নৈ। হায়রিবা কেক অসি মফম অসিদা নত্তনা মালেমগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা ফংদে।

হীদাক ওইনসু পুল্লৈ পাম্বী অসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী মখল মখা কয়াগী অনা লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরকপগী পাউদমশিং লৈ। অসামদদি পুল্লৈ পাম্বীগী মউ অদু পোপ্লি-পোপ্লি শুগাইরগা ঈশিংদা পুং খরা তীংদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা মীওইবগী শরূ মপাঙ্গল শোনবা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, জোন্দিস তৌবা অমসুং চাকখাউ চাথৎপদা লায়েং হীদাক ওইনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি। ত্রিপুরাগী ত্রাইবেলশিংনা হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু পীথক্তুনা থিবোং-থিরিলদা তীল লৈবা অদু লায়েংনৈ। পাউদম অমগী মতুংইন্না এসিয়াগী ত্রাইবেল কাঙলূপ খরনা পুল্লৈ পাম্বীগী মউ অদু শুগাইরগা লৌবা অনঙবা মহী অদু চাং নাইনা তৈদুনা তাং চাউথোক্তুনা চিকপা-নাবা তৌবদা লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। হায়রিবা অশেম্বা অদুনা হকচাংগী তোংশা কায়দুনা চিকপা-নাবা তৌবা, ব্রোনকাইটিস হায়বদি হরা কংখু তৌবা, ঈশিং-পুকচৎপা অমদি অপোম-অতঙ তৌবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। পুল্লৈ পাম্বীগী মউগী থাউদা য়াওরিবা Flavonoid, Terpenoid অমসুং Kavalactone শিং অসি তোংশা কায়দুনা চিকপা-নাবা, পাখৎকন্দুনা নিংশা শ্বর থবেৎ-থবেৎ হোনবা, বেক্টেরিয়া অমসুং হেলমিন্থ তীলনা মীওইবগী থিবোং-থিরিলদা থোকহনবা অমাঙ-অতাশিং অসি ফহনবা ঙম্মী হায়বসি বিজ্ঞান্না থিজিনবদগী খঙবা ঙমখরে। পাউদম অমগী মতুংইন্না পুল্লৈ পাম্বীগী মউ অসি নুপা-নুপীগী ফম্বী ফগৎহনবা ঙম্বা, হকচাং নোয়-পেলহনবা ঙম্বা, অরুম-লাইহৌ হন্থহনবা অমদি অরাম-খৌরাংবা অসি কোকহনবা ঙম্বগী মগুনশিং য়াওই। নুপীনা অঙাং ওইবা ঙমদবা অসিদা পুল্লৈ পাম্বী অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। কোকফাই-শুজানা থোকহনবা রিংৱর্ম হায়রিবা উনশাগী লায়না অমসুং মেলাসমা অসিদা পুল্লৈ পাম্বীগী মউগা য়ুগা শুগাইরগা লৌবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈদুনসু লায়েংনৈ। পুল্লৈ পাম্বীগী মউ অদু ঈশিংদা লোন্দুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা পুক নুংশিৎ কাবা অমদি চাবা তুমদবা অসিসু লায়েংনৈ। চাকমা ত্রাইবশিংনা পুল্লৈগী মউ শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা চাকখাও চাথৎপা অমদি জোন্দিস অসি লায়েংবগী পাউদমশিং লৈ। হায়রিবা অসি বিজ্ঞান্না থিজিনবদসু চুল্লে হায়না উৎখ্রে। Fasciolopsis buski হায়রিবা নেমাটোদ তীল অসিনা থিবোং থিরিন্দা থোকহনবা লায়নাশিং অসি পুল্লৈগী মউগী মহী অদুনা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়না বিজ্ঞান্না থিজিনবদগীসু খঙবা ঙমখ্রে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।